ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুন ১৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৮১শুবা মশীং

# আই এম সীগী ৱাথোক

## থৌওইনা তৌখিব্রা নৎত্রগা খঙহৌদব্রা

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) গী মখাদা লৈবা হায়গদ্রা কোনশিনবা হায়গদ্রা হৌজিক লৈরিবা অপূনবা ৱার্দসি ২৭নি। মসিগী মনুংদা ৯ -থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ৱার্দ মরি য়াওবনি। ৱার্দশিং অদুনা ৱার্দ নম্বর ১,২,৩ অমসুং ২৫নি। হৌজিক থোরক্লিবা ৱাথোকসিনা থাংমৈবন্দ এ সীগী ৱার্দ মরিসিদা মীয়ামগীদমক পায়খৎখিবা চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিংগী মনুংদা খরদি পাঙথোকফম থোক্লিবা থবক্তু নীংথিজনা মপূং ফানা পাঙথোক্তনা/শুদনা থবকশিংদুগী ওইবা য়াম্লবা শেনফমশিং লৌথোকখ্রে হায়বনি। অদুবু ৱাফমসিগী মতাংদবু ঙাইহাক লৈতনা নাকল অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম তৌনদুনা চিন-কাংজৈ তৌনফম থোকপ্রা হায়বনি। হুন্নরবদি লৈতুম ৱাৎতে হায়দুনা অওক-ওকথোম তৌনফম থোকপ্রা হায়বগী ৱানি। আই এম সীগী ষ্টেটনা স্পোন্সর তৌবা ওইগেরা নৎত্রগা সেন্টরগা পূন্না তৌমিন্নববু ওইগেরা কোর্পোরেসনসিগী মখাদা লৈবা ৱার্দশিংগী মীয়ামগী মথৌ তাবনি হায়বা চাওখৎ-থৌরাংশিং পায়খৎলকপদা ৱার্দশিংদু কোনশিল্লিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী এম এল এগী নোলেজ লৈহনবা নৎত্রগা লৈহন্দবা হায়বদুনা থবকশিংদুগী মওং-মতৌ নৎত্রগা ইনভোল্ব তৌরিবা ফাইনান্সিএল পোজিসন অদুগী মখাসু পোল্লম্বা য়াই। থবকশিংদুগী ওইবা টর্ম এন্দ কন্দিসনশিং অমসুং রুলস এন্দ রেগ্যুলেসনশিংগী মখা পোল্লমগনি। অদুবু এসেমব্লি সেগমেন্ট অমদা য়াওবা আই এম সীগী ৱার্দশিংগী মীয়ামগীদমক কোর্পোরেসন অসিনা য়াইফ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপদা অশোয়বা-অরানবশিং য়াওরে, শুফম থোকপা/পাঙথোকফম থোকপা থবকশিংদু শুংসু শুরমদনা নৎত্রগা লোইশিল্লমদনা থবকশিংদুগী শেলদি লৌথোকখ্রে হায়রক্লগদি ৱাফমসি চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বদু হান্না থিদোকফম থোক্তব্রা? লাল্লম্লগনা অরানবা ৱাফমনি, যূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি, মরাল থংজিনবনি হায়গদবা নৎত্রা? চুন্নম্লগনা চুম্মে, শোয়খিবা, লানখিবা য়াওখ্রে হায়বা ঙম্ফম থোক্তব্রা? অদুবু মস্বাইদা ৱাফম অনীসি খক্তুদা ঙাইহাক লৈতনা চিন্দা পৌদানবগী কান্নবা করিনো? তৌগদবা অমসুং তৌফম থোকপা থবকশিং নাথৈরম্লগা চিন পেন্নবা ঙাঙনদুনা লৈবনা করি কান্নদোইনো?

অশোয়বা, অরানবশিং য়াওরম্লগনা মদুদা কনা-কনা চেন্নবগে? মরী লৈনবা ৱার্দকী কোর্পোরেটর ওইরম্বশিং চেন্নবা, আই এম সীগী করম্বা কম্মিটিগী চ্যেরমেন নৎত্রগা মেম্বরশিং চেন্নব্রা হায়বদু থিদোক্তুনা খঙদোক্লগা চেন্নরম্বশিংদু মরালগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাক পীরগা লোইরে। পব্লিক প্লেটফোর্মদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোরক্তুনা ৱাফংনদুনা লৈবনা কৈদৌদোইনো? মরমদি শেরান-তুরান তৌদুনা খুজু-মুজু তৌথোক্লম্লে হায়রিবা শেনফমদু অঙাং নত্তে, য়াম্মী। লুপা ক্রোর ১০ রোমগী নৎত্রগা হেনবগী শেনফমবু মথোং-খঙদনা লোইশিন্দুনা মাঙহল্লম্লগদি চৈরাক পীফম থোকই। হন্দক্কী ৱাথোকসিদা লৈজরিবা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটি এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনা কোর্পোরেটরনা কন্ট্রেক্টর ওইবা য়াদে, আই এম সীনা পায়খৎপা থবক্তা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা চেন্নবা য়াদে হায়বসু য়াওরিবনা কোর্পোরেটর অমনা কন্ট্রেক্টর ওইরম্মী হায়বগী ৱাফমসু য়াওরিবনি। ৱাফমসি য়াওরকপদগী পুলিসনা রেগ্যুলর কেস এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে। চেন্নবনি হায়বা কোর্পোরেটর ওইরম্বা মীওই অমা ফাগৎপা হৌখ্রে। লোগী মতুংইনবা মখা তারকপা থবক-থৌরমশিং অদুম্মক চথুরক্লগনি। অদুবু কোর্পোরেটর ওইরিঙৈদা স্পেসল ক্লাসকী কন্ট্রেক্টর ওইরকখ্রে হায়রিবা মীওইসি খক্তং চেন্নগদ্রা? অতৈ মীওইশিংদি য়াওদ্রবরা হায়বদুসু থিজিনবা চুমগনি। অদুগা হন্দক মথি ফোংলক্লিবা ৱাথোকসি থাংমৈবন্দ এ সী খক্তুগী ওইব্রা? আই এম সীগী ৱার্দশিং য়াওরিবা অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদদি থোক্তুব্রা হায়বদুসু থিজিলহৌবা চুমগনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা থবকশিং অসিগা মরী লৈনবা আই এম সীগী ওফিসলশিংবু অসিগুম্বশিংসিদা এক্সপার্ট ওইরবশিংনা অপঙবা শীবিরম্ব্রা নৎত্রগা তৌগে হায়বা য়াওনা থৌওইনা তৌব্রা হায়বদুসু য়েংশিলহৌবা চুমগনি। মরাল লৈরম্বশিংদি খংপ্রেক খংহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১) **''স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা''** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল--নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।''** ৱাহৈ পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) **''চন্দন পাম্বী কয়া কয়ানা,/চীং-মাল-নারক শীংলক্তা,/মাং'গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা,/পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা,/থারিবা চন্দন পাম্বীদু চেকশিন্না,/কংখ্রনিদো অরেম্বদা।''** শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) **''কাওশীং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **''মোহন দাস''** হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তুগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪,৫)
২) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,৩,৪,৫)
৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩,৪,৫)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৫) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৫)
৬) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
***৭) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৮) তাওরেম (ওংবী) সুনিতিবালা, কৈরাও বিত্র মখা লৈকায় - (১,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৩গী ৱিন্নর*

***থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮২

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লীলা অনৌবা পুথোকপদা পার্টি মনুংদা ঙংখৎনবগী ৱারী ময়াম অমসু লৈরি। মসিদি লীলা য়েংবীরিবশিংনা শুংউ-উবীদবা, অদুগা খনবসু অমুক্তা খনবীদবা ৱাফমনি। মসি ঙসিদি য়াম্না নীংশিংলকই, অদুনা ময়ামদা ইফোং ফোংনা নীংশিংলকপা খরা অদুম তমথোকচগে, থোইদোক্লা কায়দব্রা হায়না খল্লি। ঐগা পূনমিন্নরম্বা লৈরিবশিংনদি শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি, থোইদোক্লা ৱারৌবীদনবা হান্না হায়জরি। ৱাসি তাবদা য়াম্না নোক্লিংবা, অদুগা অশেংবা ওইনদি য়াম্না মরৌ লৈবা ঙাক্তুগী ৱারীনি। লীলা য়াওনি থোরক্লবশিংসি অরায়বা অমমমদি অমত্তা নত্তে। কাই কাইদনো অমদা হেক্তা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা ঙাক্তনি। মীকি লাইকিদবসু য়াম্না য়াওরিবনি, অদুগী মথক্তা লিকপদা লিকপদা মঙোন্দগী হেন্না লিকপা মী লৈত্রবরা খনবগসু য়াওরিবনি। হৌজিক লৈরি মিং করি-করা পন্দনদি হায়জররোই, ইশানা পাবীবদা ঐবুনি হায়বসি শোয়দনা খঙবীরমগনি। লীলা মফম য়ৌবদা ইমা ইবেলশিংনা য়োল্লম্বা পোৎ চৈ, হায়দি লীলা অমা তৌদোরে হায়রদি লৈকায়গী ইমা ইবেলশিংনা মোবাইল ওইনা হোটেল খঙদে, অচাপোৎ য়োনবনি খঙদে, পোৎফম য়াম্না ফম্মী। মদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মী লাকপা ঙাইবা ওইনা অচাপোৎ, বোরা কাংহৌ, অতৈ মখল মথেলগী অচাপোৎ চাবসি য়াম্না হাউই। মদুগী মহাউশিংদু হৌজিকসু কাউবা ঙমজদে। মদুদা নোংমতা সিকি অমা লুপা অমা পুথোক্তুনা অচাপোৎ চারক্তবা মী য়াওই। মহাক ময়াম চারিদুগী মনাক্তসু চঙদে, মচি অমদা তূমিন তাশিন্দুনা লৈগনি। নোংফাদোক হৱাই মঙ্গল অঙৌবা নৎত্রগা চানা অঙৌবদু লুপা অমগী লৈরগা ফুরিৎখাওদা হাপ্পগা ক্রুক ক্রুক শাইবদি নোংফাদোক উই। অদু নত্তনা এক্সপেন্দিচর অমত্তা তৌদবা মী য়াওরিবনি। অদুগুম্বা মরক্তুদা লীলা অনৌবা অমা ফোঙবগী দ্রেস লৈয়ু, লৈসি হায়বসি তাশিন্নদনা অদুম লৈথোকপা মাগী মাগী হান্নগী লৈজবা খরা অদুম শেৎপা মীসু লৈতবা নত্তে। মদু ময়াম্না য়াম্না শাউই, শাউই হায়দু ঙাই লৈদৌবা মানা লৈদ্রদি কমাই তৌরুনি।

ঐখোয়না অহানবা লীলা তৌরকপা মতমদদি কা হেন্না দ্রেসকী ৱাসি হায়নরমদে। য়েংবীরিবশিংনসু ঐখোয়না খরা শেৎ-চাবদু অদুম য়ারম্মী। হায়দোক্লগদি ফজদ্রবা ৱানি, মতমদুদা অনৌবা ফিজেল তুবা নৎত্রগা লৈবা হায়বসি পাক পাক ঙল্লমদে, ঐনগা মতমদুদা লিৎখিবা কোটশিংদু, নোংম-নোংমগী মচু মান্নদবা ষ্টাইল মান্নদবা ফনা য়াম্না উবীরমগনি। উবিখিবশিংদুনবু খনবীরমগনি, মাগী কোটসি মখল য়াম্না লৈবজাৎনি হায়না। মদু অমত্তা নত্তে, ঐনা লিৎখিবশিংদু লোইনমক অৱাইবা ঙাক্তনি। ঐগী চহী লোঙ্গা কোট লিৎপা মী মতমদুদা পাক লৈতে। ঐসু লিৎতে। অদুবু ওফিসরগা শারকপা, শেঞ্জাও পায়বগা শারকপদদি কোট অমা লিৎপা হায়বসি য়াম্না লেম্নবা মতম ওই। অদুনা মী খুদিংগী ৱাই। ৱাইবা হায়সিদি মচু মান্নবা হৌনদে। অদুনা ঐনা উপখিবা আনোক, কোট, ফাখিবা পেটি, লিৎখিবা ফুরিৎ ঐগী অমত্তা নত্তে। লীলা মফমদা ৱাইবনা কোঙ্গাইনি। লীলা কৌরিবশিংগী মনুংদা পুকচেল চাওবসু য়াম্না য়াওই। মোইনবু হংবীরকই, ৱাইদৌবা কৈদৌদৌবা লোইনা হায়রো, হোরেল লীলা য়েংলিঙৈদা কৌথোরক্লগা অদু ৱাইগে, অদা ৱাইগে হায়বদু নুংঙাইতে হায়না। অদুনা ইকায়রসু ইকায়না কনাগী ফুরিৎ, কোট, খোঙ্গ্রাও, আনোক (sunglass + plain) অরৈ অরৈবা ৱাইবনি। জেকেট, আনোক্কসিদি লীলা য়েংবা লাকপা মীদগী কৌশিল্লগা অদুম ৱাই। মোইনসু অদুম হরাও হরাওনা পী। মোইদি হবু হরাওই, মমান্নবশিংদা মানা তাকতৌরিনি, মানা লিৎলিবা জেকেটসি ঐগীদুনি, আনোকসিসু ঐগীনি হায়না। মোই ময়াম ৱা ৱা নোকই। অদুদা লীলা ময়ায়দা থোক্লিবা ঐনদুম ইকায়। অদুনা ৱাইরমদাইদা হায়নৈ- হোরেননে ঐনা ময়ায়দা থোরক্লকান্দা ফুরিৎসি/আনোকসি/জেকেটসি নঙগীনি হায়রক্নু হায়না হান্না মেল্লিবনি। নুংঙাইখ্রবা জাৎনি লীলা য়াওবসি। অদুদগী খরা লৈরগদি দ্রেসতা য়াম্না হায়বা হৌরে। নোইগীসি লীলাদি য়াম ফজে, দ্রেসতি ইনান নান্দে, দ্রেস নালহল্লু, মেক-অপ ফজহল্লু হায়না লীলা কৌবা লাকপদা লৈশাবীশিং, মৌ নহাশিং, অদুগা পাখঙশিংনা, ইশম শম্না লীলা কৌবা লাকপশিংনগা অদুগা হায়রম্মী। মতমদুদা হয়েং লীলা মফম য়ৌরকান্দা খরা ৱাইগে হায়নসু অদুম ইফোং ফোংনা হায়নৈ। মোইনা মদুদগা থনম্বা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও মখল মখলসিদি অঙকপনি।

অদুনা লীলাগী দ্রেসকী ৱাসি নান্দবা ইয়া য়ারক্তে। অনৌবা লীলা অমা ফোঙবদা, ময়ামদুনা দ্রেসকী মতাংদা খন্নরে। সিগী মতাংদা সিগুম্বা অমা লিৎপা অদু তৌবা, অদা তৌবা হায়নরে। নুপী শাবীশিংগীসু অদু মঙাই, মখল মখল মানা মানা নীংবদু লোইনা হায়নৈ। ঐগী মতাংদসু ময়াম্না অদুম হায়, অদুম তাই। নুপী শাবীশিংনা শাড়ী শেৎপসি ঐদি য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা য়াজদে। অদুনা তঙাইফদবা কেরেক্টরদুনা দিমান্দ তৌবা মতাং নৎত্রবদি শাড়ী শেৎপসি শেৎপীগনু হায়না অদুম হায়জৈ। নুপী শাবীশিংনা কেনীংবা, শাড়ী শেৎনীংবসিদি হায়দনা কান্নদে। য়াম শেৎনীংখ্রজাৎনি। মোইগীদি ফনেক, ফি, ফুরিৎ নুপীগী ঙাক্তনি, লীলাদা নত্তনা অতৈ মতমদা শেৎপা-লিৎপা য়াবা নত্তে, অদুনা মোইগী দ্রেস লৈবদা য়ামদ্রবদা পার্টিদগী শেল খরা খরা হাপ্পী। নুপা শাবখৈগীদি হাপ্তে, মোইগীদি লীলা নৎত্রসু শেৎপা লিৎপা য়াই হায়দুনা। নুপী শাবীশিংনসু দ্রেস লৈবসি খরা থৱায় য়াওই। অদুবু হায়রগদি ফজদ্রবনি, হৌজিকপুদি লৈখিদ্রে, দেবদত্তনা মাগী মচিং লাকখ্রদি দ্রেস শুংলৈ লৈবীবা জাৎ নত্তে, হান্নগীদু অদুম চপ চপ মান্ননা অদুম শেৎপনি। মানা তৌরিবা দিমান্দনা মাগীদি অদু লৈনি, অদাসু লৈনি, অদুনা শেল খরা য়াম্না হাপ্পু সিনি। মদু নুপী শাবী অনী লৈবদা চপ মান্ননা শেল হাপত্রবদি অমনা অমুক নিংঙাই তৌরগা লীলা কায়বা য়াবগী ফীভম লৈ। কায়সু কায়রিবনি, অচান মীরাই নাই হায়দুনা। অদুনা অমদা শেল খজিক্তং হেন্না হেক পীখিবদা, মঙোন্দা পীবা শেলদু থোক লংথোরকপনি - য়ারে হায়দনা। অদুনা য়াম্না লুই, মানা লৈগে হায়বদু শেল য়াম্না চঙবনিনা মানা হায়জরিদু য়াবুদি য়াই, অদুদা মান্নদবদা লাক্কদবা প্রোব্লেমদুগী ৱানি। মসিগী মরমদা পার্টি মনুংদা শান্নবা মথাসি অঙকপনি। শানীংঙাই লৈতবদা য়াম্না শাখ্রজাৎনি।

নুপা শাবসু অদু মঙাই, হায়রিসি ঐসু য়াওরিবনি। লীলাদুনা শেল তানদৌরিনি, তাল্লিবা শেলদু লীলাদু ফজরগনি হায়বগসি দ্রেস লৈরমদাইদা হেক্তা কাউই। ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা দ্রেসসি ফনা কুইনা লৈদে। লৈগে লৈগেদি হায়রগা, লৈদবদুদা, পামিন্নরিবশিংনা শাউই, এক্টিং তৌমিন্নবদা দ্রেসনিগাইনা অনৌবা শেৎপসু নত্তবা হায়দুনা থৌওইনগা তৌরক্তবগা য়াওরিপোৎনি। মসি লীলা য়েংলিবশিংনদি খঙবীবা নত্তে, য়াম্না নোকনীংখ্রবা ৱানি। অদুদা ঐনা অমদি নুপা শাবশিংদুনা খল্লিনা, লীলাসি ফজদে হায়না থুপচিনখ্রদি, লৈরুরিবা দ্রেসকী মমল হঞ্জিল্লোই, অদুনা লীলাসি য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা হায়বসি য়েংলিবনি। লীলাদুনা কুনলক্কুম্বা হেন্না শান্নরক্লবা, মীয়াম্না ফজৈগা হায়নরবা অদু ওইরদি দ্রেস লৈবগী ৱাখল লাকই। অদুগা লৈসু লৈ, মদুগী মমাঙদগী ময়ামসি ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা দ্রেস লৈনবা নত্তে। অদুনা লীলা কুনগুম্বা শান্নরবনিনা দ্রেস লৈনরসি হায়না হায়নরিবনি। ঐদি লীলা অনৌবা অমা পুথোক্লমদাইগী স্ক্রিপ্ট পাবদগী হৌরে, কেরেক্টর খনবা। ফনা য়াম্না ফজবা ওইরবসু ইনাকখুনবগা শাগদৌবা ওইরদি ঐ শারোই হায়না হান্না হায়রনি। মরমদি ইনাকখুনবা শাবদদি দ্রেসতা শেল য়াম্না চঙই। অনানবা ঙাক্তনিনা, অদুনা লীলা শান্নবদা শেলদি চপ মান্ননা য়েন্নদৌরিনি, অদুগা ঐনা দ্রেস লৈবদা শেল কোকথোং অমা চঙলগা কৈ কান্নবা গাইনা খল্লি। অদুনা রোলদু শারোই ঐ শারোই হায়না কোয়চেন চেল্লসু, লীলা পার্টি অমদা হিরো অনী শুবা য়াদবনিনা, দ্রেস লৈবদা খরা মতেং পাংনবা হায়দুনা হান্না কদর তৌবা হৌরিবনি। নুংঙাইখ্রবা অঙ্ক ঙাক্তনি হোৎনরিসে। মসি ঐনা মীঙোন্দা হায়রুরদি শাওনরনি হায়দুনা ইশাদা হায়জরবনি। চপ মান্নবা কদর ঙাক্তনি তৌনরিসে। হায়জরিবসি ঙল্লিঙৈ মতমগী ৱানি।

হৌজিক্কানদি লীলাগী দ্রেসসি মমল অতাঙবা য়াম শেৎনবা উরে। মখল কয়াগী দিজাইন তৌরবা দ্রেস য়াম্না শেৎলে। মসি য়েংবদা ফজবুদি য়াম্না ফজৈ হায়ববু শুমাং লীলা হায়বসিদি য়াম্না চম্মীমখৈ ফজবা হেনবনে। কা হেন্না অরং-অরাক্তা লাক্লগদি শুমাং লীলাগী ফজবা ৱাৎলকই। মমাংঙৈ মতম অমদা মমিং লৈরম্বা লীলা অয়াম্বা ইচম চম্না ফজখিবা ঙাক্তনি। মদুগী মফজ, মদুগী মনুংঙাই অমদি মদুগী মীপূম তিংনা ফাওহনখিবা নুংঙাইবা অদুদি ঙসিগী লীলাশিংনা ঙল্লিব্রা হায়বসি ৱাহং ওইরে। ●

# হ্যুমেন রাইটস লৈতে হায়রিবা চাইনানা য়ু এস এগুম লান্দারুদে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

মমাঙ থাগী তাং ১৯দা ইজখিবা ঐহাক্কী ৱারেংগী মখা তারকপদা, ঐহাক্কী ইমুংনা ইনাক খুল্লি, চাওখৎলি অমদি মীচং শঙ্গ লৈ হায়দুনসু ঐহাক্কী ইমুংদা চান্নে, চৎনৈ হায়দুনসু অতোপ্পা ইমুং অমদসু চৎনগদবনি হায়বা আইন অমা থমজিনবা হায়বসি অরানবা ওইগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ইনাক কৈরাক খুনবা, মীচং শঙ্গ লৈবা ইমুং অমদা চাওখৎলবনি হায়দুনা মীমাঙ পুমাং নাইদনা মতৈ যূমগী অহল লমনগী মমাঙদা য়ু থকমিন্নবা, নোংচুপলোমগী ঈশৈ নোংমাই থাদুনা জগোয় শামিন্নবা (জগোয় শাবদি করিসু কায়দে হকচাং ফৈ, অদুবু শোয়রিবদি য়ু থক্লগা জগোয় শাবদুনি থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লক্লিবা), লোয়ননা মচা মশুশিংনা অতোপ্পগা বর্থদে পাঙথোক্লিবনি হায়দুনা শানৈ য়ুনৈদুনা য়ূমদা থেংনা হনজিল্লকপা, পাখং লৈশাবী ফারবনি হায়দুনা য়ূমকৈ পানদ্রিঙৈদা মতৈ মনাওগুম পূন্না পূন্না কা অমদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈমিন্নবা, মখোয়না তৌনীংবতা তৌহনবা অসিগুম্বা ইমুং অদুগী চৎনবী অসিবু নোংপোকলোমগী চৎনবী ইন্দুনা অহল লমনদা থৌগল কায়দবা, মীনা করি হায়নখিগনি খন্দুনা খুন্নাই অদুগী চৎনবীবু ইন্দুনা চৎচবা, মমা মপানা ৱা হায়বদা করি চুম্মী লাল্লি খন্থদুনা ৱা ঙাঙজবা, য়ূমকৈ পানববু ফাগিগুম খন্দবা শানৈ য়ুনৈবগী চৎনবীবু পামজদবা ইমুং অমদা ইন্দুনা চৎলু হায়বদি য়াম্না লানগনি।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী ইমুং মনুং অমদি খুন্নাইদা চান্নবা চান্নদবা হায়রিবা খুদমসে লৈঙাকলোন্দসু চপ মান্নে। য়ু এস এগুম্বা নোংচুপ লৈবাক্তা চৎনৈ হায়দুনসু নোংপোকলোমদসু হেক্তা চৎনগনি হায়দুনা লৈঙাকলোল অমবু হেক্তা ইনবদি লাল্লি হায়বসি ঙসিগী চাইনাগী লৈঙাকলোন অসিনা য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলে। চাইনাগী মশাগী ওইবা চহী লিশীং মঙাদগী হেনবগী পুৱারী লৈজৈ (তশেংবগীদি কুমজা ২০০৭কী মে ১৮দা ফোঙখিবা বি বি সী ন্যুজ অমদা চাইনাগী সিভিলাইজেসনসি চহী লিশীং ৮ শুরে হায়বগী চাইনিজ ময়েক ফংলে হায়না ফোঙখ্রবনি)। শাংলবা চাইনাগী পুৱারী অসিগী মনুংদা চাইনানা মখোয়গা মতম মতমদুগী চান্নজবা তোঙান তোঙানবা লৈঙাকলোন শীজিন্নদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। হোয় তোঙান তোঙানবা লৈঙাকলোন অসিদা চান্নদবা, পামদবা থৌদোক কয়াসু থোকখিদবদি নত্তে। মরু ওইনা সোভিএট য়ুনিয়নগী কলচরবু মতৌ তমলুবদগী ১৯৬৬তগীনা ১৯৭৬ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা চাইনিজ কলচরেল রেভল্যুসনদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিবনি চাইনাদা। পামদবা থৌদোকশিং অদুদগীসু পাড়া কয়া তমহৌদুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী খন্দুনা লৈঙাক্লি ঙসিগী চাইনাগী ৱান পার্টি লৈঙাকলোন অসিনা। ঙসিগী ৱান পার্টি সিষ্টম অসিসু মখোয়গা চান্নজবা লৈঙাকলোন অমনি। মসিগী খুদম ওইনা মমাঙগী ৱারেংদা পঞ্জখিবদু অমুক থমজগে। য়ু এস এগী Harvard University গী মনুং চন্না লৈবা Harvard Kennedy School গী Ash Center research team না চহী ১৫ চঙনা শেমগৎ শাগৎতুনা লৌখিবা পব্লিক ওপিনিয়ম পোলদা ফংখিবা রিজল্টকী মতুংইন্না চাইনাগী মীওই ৯৫.৫%না মখোয়গী লৈঙাক্তা অপেনবা থল্লি অদুবু দেমোক্রেসি চৎলি, হ্যুমেন রাইটস লৈ হায়না লাউরিবা য়ু এস এদদি শুপ্নগী মীওই ৩৮% খক্না মখোয়গী লৈঙাক্তা অপেনবা থল্লি। থমজরিবা ওপিনিয়ন পোল অসি চাইনানা লৌবা ওইরগদি থাজদে হায়না লৌবসু য়াই অদুবু পোল অসি য়ু এস এগী মমিং লৈরবা য়ুনিভর্সিটি অমগী দিপার্টমেন্ট অমনা ফোঙখিবনি ২০১৬তা।

করিগুম্বা চাইনাসু য়ু এস এগী লাংদা থুরুদুনা দেমোক্রেসি পুসিনগে খল্লবদি মতম অমগী সুপর পৱার ওইরম্বা সোভিএট য়ুনিয়ননা মচেৎ মচেৎ কায়খিবগুম কায়খিগনি চাইনাসু। মসি খঙবননি চাইনানা নোংচুপ লৈবাকশিংনা লাউরিবা দেমোক্রেসিসি চাইনাদা চৎনবা য়ারোই হায়দুনা চৎনদ্রিবা। মসি হায় হায়দুনা চাইনাগী মীয়াম্না মনীং তম্না হিংবা ঙমদে হায়না লৌবদি য়াম্না লানগনি। হ্যুমেন রাইটস লৈরে হায়রিবা য়ু এস এদা চহী অমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক্তা (ক্রাইম) মীওই ১১৭,৩৪৫গী মথক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা শোক পল্লি অদুগা শিবনা চাংচৎতা মীওই লিশীং ৪৫গী মথক্তা লৈ। ইশম শম্না হায়রবদা হ্যুমেন রাইটস লৈত্রে হায়রিবা চাইনাদদি য়ু এস এদা থোক্লিবা মীহাৎ মীশি অসিগী শুপ্নগী শরুক ১৮ থোকপগী অমা খক্তনি, হায়বদি য়ু এস এদনা শরুক ১৮ হেন্না মীহাৎ মীশি থোকই হায়বনি।

অসিগুম্বা মীহাৎ মীশি কয়া থোক্লিবসি য়ু এস এগী গন লোনসু মরম অমা ওই অদুম ওইনমক ফ্রীদমগী মমীংদা তৌনীং তৌনীংবা তৌবসিনসু ক্রাইমগী চাংসি য়াম্না ৱাংহনবনি। অদুবু চাইনাদদি ক্রাইমগী অমদি হুৱান চিন্থিগী থৌদোকসি য়াম্না নেম্না থোক্লিবসিগী মরমদি অকনবা চৈরাক পীবননি। অকনবা চৈরাক পীবসিনা মীচম কয়াগী পুন্সিবু কনবা ঙল্লিবনি। অদুবু য়ু এস এদদি নহা অহলদি লায়রদনা পীক্লিবা করিসু মরাল লৈজদবা স্কুলগী অঙাংশিং ফাওবা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীরি। ক্রাইম রেট য়াম্না ৱাংবসিনা য়ু এস এদদি মীওই অয়াম্বনা পূক্লিং নেনা-তানা হিংবদা য়াম্না ৱানা থোক্লে হৌজিক্কানসি। চাইনাদসু য়ু এস এগী মওংদা দেমোক্রেসিগী মমিংদা ফ্রীদম ময়াম অমা পীশিল্লদি মীওই বিলিয়ন ১,৪০২ হেন্না লৈবা চাইনাদদি মীশি মীনা কয়া থোক্কনি। মরম অসিনা লমদম লমদমদুগা চান্নবা য়েংদুনা লৈঙাকলোন লৈগদবনি।

ঙসি চাইনানা চহী ৪০ মুকসিগী মনুংদা অসুক য়াম্না চাওখৎপা ঙল্লিবসি ৱান পার্টি সিষ্টম লৈবগী ঙল্লিবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না লাউজরিবা অদুগা তশেংনা চৎপদি নত্তবা লৈবাক কয়ানা মাঙদা চঙশিনবদা অসুক্কী মতিক তপ্লিবসিগী মরম অমা হায়রগদি মল্টি পার্টি সিষ্টম লৈবসিসু অচৌবা মরম অমনি। লো অমা পাস তৌনবা হোৎনবদা মতম অসুক্কী মতিক চঙহল্লি। মসিগী মথক্তা করপসন তৌবনা অমুক্কা হেন্না তপথহল্লিবনি চাওখৎপদা। অদুবু ৱান পার্টি লৈবা চাইনাদদি লৈঙাক্তুনা লৈবাক্কী ফৈ খল্লবদি য়াম্না থুনা আইন পাস তৌবা য়াই অমদি থবক্তা ওন্থোকপা য়াই। অসিগুম্বা লৈঙাকলোন অসিনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা চহী ৪০/৫০দা তৌবা থবক ৱান পার্টি লৈবা চাইনাদা চহী ৪/৫গী মনুংদা পাঙথোকপা ঙম্মী। মসিননি চাইনানা অসুক থুনা চাওখৎপা ঙল্লিবা।

অদুগা অমনা, হ্যুমেন রাইটস লৈতে হায়রিবা চাইনাদি অতোপ্পদা লান্দারুবা লৈতবনি। অদুবু দেমোক্রেসি চৎলি অমদি হ্যুমেন রাইট লৈ হায়রিবা য়ু এস এদি মখোয়না খূৎ থিংজিনলুদবা লৈবাকপু লৈত্রে হায়বা য়ারবনি। য়েংবীয়ু অফ্রিকাদা, মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা, এসিয়াদা, য়ুরোপতা মখোয়না মখোয়গী কান্নবখক য়েংদুনা খূৎ থিংজিন্দুনা হাৎতোক্লহল্লি অমদি লাল থোকহল্লি। হৌজিক হৌজিক রুসিয়া অমদি য়ুক্রেন অনীগী মরক্তা লাল থেংনরিবা অসিসু য়ু এসগী থৌরাংনি। চাইনাগী টাইৱানগসু তোখাই তোখাই তাননবা, য়েংথীননবা কন্না হোৎনবা লেপত্রি। মসিদা লোইদ্রি। ইন্দিয়াগা চাইনাগসু য়েংথিননবা হোৎনরিবনি। মসি খঙনা খঙনা ইন্দিয়ানা য়ূমথংনরিবা চাইনাগা চৎমিন্নদুনা, লল্লোল ইতিক তৌমিন্নদুনা চাওখৎমিন্ননবা হোৎনবগী মহুত্তা অরাপ্পদা লৈবা লৈবাক কয়াবু মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইরগা মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনখিবা British Empire গা চপ মান্নরিবা য়ু এস এগা চৎমিন্নদুনা চাইনাবু য়েক্লবগুম খনবসি অফবা খোঙথাংনি হায়না লৌবদি লানগদ্রা খল্লি ঐহাক্কী ৱাখলদা। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩গী পাউখুম

১) **''খুন্নুং ঈশৈ নাচোম''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিন্দুনা ফোঙলকপনো? **:- খোমজিনবা - লৌরেম্বম বেদবতী; অহানবা ফোঙবা, মার্চ ২০২০।**

২) **''নার্গাজুনগী শৈরেংশিং''** হায়বা লাইরিক অসি করি লোলদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? **:- হিন্দি লোলদগী মণিপুরীদা আই এস কাংজমনা হন্দোকপনি। অহানবা ফোঙবা ২০০৩।**

৩) **''ঐ করিসু তৌদে''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা ময়েংবম অক্ষয়কুমার সিংহ; লাইরিক্কী মখল - দ্রামা; অহানবা ফোঙবা, সেপ্টেম্বর ২০২১।**

৪) **''মঙলান খরা শক্তম খরা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং লাইরিক অসিগী অইবনা কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল- এসে; অইবা- খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্র; অহানবা ফোঙবা, ২০১৪।**

৫) **''শজিগী লৈবাক্তা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - চা খোম্মৈ; লাইরিক্কী মখল- নোভেল; অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর ২০২০।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।